

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JANUARY 20, 2019 PAGE 7




*য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলদা মখা তানা শান্নবগী কুমজা ২০২৪ ফাওবা সাইন তৌনখ্রবা ইংলিশ মচা ট্রেন্ট আলেকজেন্দর আর্নোল্ড*

## জপানগী কৈ নিসিকোরি অমদি সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

AO 2019 australian open 14-27 JAN

*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৯ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা জপানগী কৈ নিসিকোরি অমদি সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা পোর্টুগালগী জোৱা সৌজাবু ৭–৬(৮–৬), ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২৫শুবা সিদেদ কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভবু ৬–৩, ৬–৪, ৪–৬, ৬–০ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্মু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স বোল্টপু ৬–৩, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা মহাকসু মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ১৫শুবা সিদেদ ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২১শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬–২, ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

১৬শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকসু ফ্রান্সকী পিয়েরি হুগেস হর্বর্টবু ৬–৪, ৬–৪, ৭–৬(৮–৬) দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৪শুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ২৮শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সৈ সু ৱৈবু ৫–৭, ৬–৪, ৬–১ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝাং সুৱাইবু ৪–৬, ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৪শুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

১৬শুবা সিদেদ য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুক্রেনগী দায়ানা য়াষ্ট্রেমস্কাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিন্সকিবু ৭–৬(১০–৮), ৬–২ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ুএসএগী মেদিসন কিজসু অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১২শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা ৪শুবা রাউন্দ চঙখি।



*নুপাগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা সর্ভিয়াগী জেকোভিস (ওই) অমদি জপানগী নিসিকোরি*

## চর্চিল ব্রদর্সনা নেরোকা এফসিবু ২–১ দা মায়থিবা পীরমদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

Hero I-LEAGUE

*মোরমুগাও (গোৱা), জনুৱারি ১৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা গোৱাগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সনা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

গোৱাগী সিটি মোরমুগাওদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা চর্চিল ব্রদর্স অমদি নেরোকানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ভরনি কাল্লোননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ৱিলিস প্লাজানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা য়ুম্মু টিম ওইখিবা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ৱিল্লিস প্লাজানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না নেরোকা এফসিবু ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়েল কাশ্মীরনা শিল্লোং লাজোংবু ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি। টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা আরোন কাটাবেনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল কাশ্মীরনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

হেরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা গোকুলাম কেরলা অমদি মিনর্ভা পঞ্জাব পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি। অহানবা হাল্ফ টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা ৮৪শুবা মিনটতা গোকুলামগী শান্নরোই মার্কস জোসেফনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবগী শান্নরোই জোর্জ কাসিয়েদো রোড্রিগেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা ড্রো চৎখি।



## অহানবা পিশক নীংথিং ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অহানবা মেটচতা এ আর সিনা ৱাই এম দি ও থোইখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯ঃ*

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ফুবাকচাও অৱাং লৈকাই য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (পি এ এল ৱাই দি এ) না শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা টিম ৮ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্কুনা ঙসিদগী অহানবা এলাংবম পিশক সিংহ নীংশিং ষ্টেট লেবেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা উচিৱা জিলা পরিষদকী মেম্বর হাজি টায়েব আলিনা চীফ গেষ্ট য়ু দব্লিয়ুএল পি সি মণিপুরগী এদভাইজর বাবু ইরেংবা মঙাংনা প্রসিদেন্ট অমদি কঞ্জার্বেসন ওফ ফোরেষ্ট এল জয়কুমার সিংহ, ফুবাকচাও সেকমাইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থোঙাম সোমোলা দেবী, ফুবাকচাও সেকমাইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর এস লৈমাথোইবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচতা এ আর সিনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংবু ৩–২ (২৫–১৭, ২১–২৫, ২৫–২২, ২৩–২৫, ১৫–১০) দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহানবা মেটচতা ৱাই দি ও চোংথাম কোনা অমদি কে বি ময়াং ইম্ফালনা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা আই জি ও ওইনাম অমদি এ এম ৱাই দি সি অন্দ্রোনা অয়ুক পুং ৮ অমসুং অহুমশুবা মেটচতা কে বি ময়াং ইম্ফাল অমদি এ দি সি ফুবাকচাও শান্নরগনি।



## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী মালেসিয়া মাষ্টর্সতা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে

*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ১৯ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা চথরিবা য়ুএস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল লৌখিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ষ্ট্রেট গেম ২১–১৬, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা শান্নরগনি।

থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মালেসিয়াগী গো জিন ৱৈবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোং অমদি ৪শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হো শান্নরগনি।

৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোংনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এক্সেলসেনবু ২১–১৩, ২১–১৮ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

অমরোমদা ৪শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোংনা ঙসি শান্নগদববা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মালেসিয়াগী লিয়ু দারেন লাক্তুবদগী ৱাক্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিওন অমদি কেভিস সুকামুলজো অমসুং মালেসিয়াগী ওং য়িয়ু সিন অমদি টিও ই য়িগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিগী গিদিওন অমদি সুকামুলজোনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী পেয়র গো ভি সেম অমদি টান ৱি কিওংবু ২১–১৮, ২৪–২২ দা থোইরম্বনি। অদুগা মালেসিয়াগী সিন অমদি য়িনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা মালেসিয়াগী পেয়র আরোন চিয়া অমদি সো ৱুই য়িকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–৬, ১৮–২১, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমদি সায়াকা হিরোটানা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমদি এপ্রিয়ানি রাহায়ুগা শান্নগনি।

জপানগী য়ুকি অমদি হিরোটাগী পেয়র অসিনা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ অতোপ্পা জপানগী পেয়র মায়ু মাটসুটোমো অমদি ৱাকানা নাগাহারাবু ২১–১৩, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র গ্রেসিয়া অমদি এপ্রিয়ানিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র মিসাকি মাটসুটোমো অমদি আয়াকা টাকাহসিবু য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ২০–২২, ১৩–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী য়ুটা ৱাটানবে অমদি এরিসা হিগাসিনো অমদি ২শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল পুৱাভারানুক্রো অমদি সাপসিরি টারাটানাচাই শান্নগনি।



## ইন্দিয়াগী নুপা টিম এসিয়ান জুনিয়র টিম স্কৱাসকী ফাইনেল চঙখ্রে

*পাট্টায়া, জনুৱারি ১৯ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্মু ওইদুনা চথরিবা এসিয়ান জুনিয়র স্কৱাস টিম চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা টিম ফাইনেল য়ৌখ্রে, অদুবু নুপীগী টিমদি সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

এসিয়ান জুনিয়র স্কৱাস টিম চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী উটকার্স বাহেটি মালেসিয়াগী সিও য়ি জিয়ানগী মখূত্তা ১–১১, ৯–১১, ১২–১০, ৮–১১ দা মায়থিহৌদুনা মালেসিয়ানা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী য়াস ফাদটেনা মালেসিয়াগী দুনকান লি য়ুংবু ১১–২, ১২–১০, ১২–১০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টিম অনীমক মেটচ ১–১ দা মান্নখি।

সেমি ফাইনেল টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভির সোত্রানিনা মালেসিয়াগী মুহমদ অমির অমিরুল বিন অজারবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৯–১১, ১৪–১২, ১১–৯, ২০–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল টাই অদু মেটচ ২–১ দা মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপা টিম অসিনা ফাইনেলদা পাকিস্টানগা লম্বা তৌনরগনি।

এসিয়ান জুনিয়র স্কৱাস টিম চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী টিম মালেসিয়াগী মখূত্তা মেটচ ০–২ দা মায়থিহৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি। মালেসিয়ানা মেটচ অনী থংন–থংননা মায় পাকখিবদগী অহুমশুবা মেটচ শান্নখিদবনি।

## ইটালিগী সেরি এ দা রোমানা টোরিনোবু ৩–২ দা থোইখ্রে

*রোম, জনুৱারি ১৯ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রোমানা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা নিকোলো জানিওলোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৪শুবা মিনটতা রোমানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এলেকসান্দর কোলারোভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫১শুবা মিনটতা টোরিনোগী শান্নরোই টোমাস রিনকোননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা টোরিনোগী অতোপ্পা শান্নরোই কৃষ্টিয়ান অন্সাল্ডিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই ষ্টেফান ইল সারাৱিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু রোমানা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | A | S | | N | O | T | E | | S | A | I | N | T |
| C | U | L | T | | E | A | R | N | | I | N | D | I | A |
| T | R | E | A | S | U | R | E | D | | S | T | E | E | P |
| S | E | C | R | E | T | | S | S | W | | L | A | C | E |
| | | | T | A | R | T | S | | R | E | E | L | E | D |
| S | T | E | L | L | A | R | | N | E | A | R | | | |
| P | O | R | E | | L | I | N | E | N | S | | T | S | P |
| E | R | O | D | E | | P | E | A | | E | L | O | P | E |
| D | E | S | | D | E | L | E | T | E | | O | M | I | T |
| | | | H | I | V | E | | E | N | L | I | S | T | S |
| S | E | D | A | T | E | | A | N | T | E | S | | | |
| H | E | R | S | | R | I | D | | R | E | L | O | A | D |
| I | R | A | T | E | | T | O | L | E | R | A | B | L | E |
| R | I | P | E | N | | E | R | I | E | | N | E | O | N |
| T | E | E | N | S | | M | E | T | S | | E | Y | E | S |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯃꯜ ꯍꯣꯡꯕ ꯌꯥꯒꯅꯤ (From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE

PIS

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days